## ফোর্ম থাবগী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): ক্লাস নাইনদগী নাইন, নাইনদগী টেন অমদি টেনদগী টেনদা স্কুল ট্রান্সফর তৌবগী ফোর্ম থাবগী মতম থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি। ফাইন লুপা ২০০ পীরগা ফোর্ম লৌবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম চহীসিগী জুন ১০ দা ওইগনি। মসিগী মতুংদদি মখা তানা শাংদোক্লরোই হায়নসু মখা তারি।

## ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): কংলৈ মাইম ঠিএটর রেপর্টরিনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থংগা লোয়নননা সম্মর এরিয়ল মাইম ৱার্কশোপ অমা রেপর্টরি অসিগী কমপ্লেক্স, লংথবাল কুঞ্জ মাইম ঠিএটর লেন্দদা থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না রেপর্টরি অসিগী দিরেক্টর ডা. য়ুম্নাম সদানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়াওনিংবা আর্টিষ্টশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মিং চনবা য়াগনি। ট্রেন তৌরবা টি রঘুমনি অমদি এম ইনাওতোননা তন্বী তাকপীগনি। ৱার্কশোপ অসি মণিপুরদা অনৌবা অমনি। মসিদা ফংলকপা মহৈনা মাইম ঠিএটর জ গোয়নচিংবদা কান্নগনি। ৱার্কশোপ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা সার্টিফিকেট য়েন্থোক্কনি। এরিয়ল মাইমগী দেমোনষ্ট্রেসনসু উৎকনি।

থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা রেপর্টরি অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মর এরিয়ল মাইম ৱার্কশোপ অসিদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা তাকপী তন্বীগনি। লম অসিদা নীংথিনা ট্রেনিং ফংলবা ওজাশিংনা তাক্কদৌরিবা অসিনা তন্নিবশিংদা কান্নগনি হায়রি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): পুনেদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া দ্রামা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারুবা খোয়োল তেবী তেসাৱানা অহানবা মনা লৌরকখ্রে। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ারুবশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা টেম্পল ওফ য়ুনিভর্সেল পিছ এৱ্যেরনেস কম আর্টস কলচরেল একাদেমীগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে হায়না একাদেমী অসিগী দিরেক্টর রতন লৈশাংথেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। দ্রামা অসি চনম গম্ভীরনা ইবনি। রতন লৈশাংথেমনা দিরেক্সন পীবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## আর্মদ দিল্লরনি চিংনবা অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): অসাম রাইফলসনা আর্মদ দিল্লর ওইরমগনি চিংনবা মীওই অমা ককচিংদগী ফারে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ককচিং গার্দেন মনাক্তা লাকপা কার অমা খামদুনা চেক তৌখি। খুদৈ খুনৌদগী অংদুম কৌবা মীওই অমা কার মনুংদগী থোরক্লগা পিষ্টোল অমা উৎতুনা চেন্নবা হোৎনখি। অসাম রাইফলসকী টিম অদুনা মহাকপু ফাখি। দি মোদুন কৌবা মহাক্কা লোয়নরকপা মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু ককচিং পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মতম খরা চঙখিগনি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): ৱাইরি ৱাটর সপ্লায় পম্পগী বিয়ারিং য়াদবা অমদি টাইমর য়াদবনা মরম ওইদুনা শেন্বদা নুমীৎ ৪/৫ নি চঙখিগনি। ককচিং ৱাটর সপ্লায়দগী ঈশিংগী লৌরিবা কঞ্জ্যুমরশিংনা নুমীৎ খরনি অসি ৱারবসু ৱানা ঙাইবীয়ু হায়না ককচিং ৱাটর সপ্লায় এন্দ সেনিটেসন দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং ইরুম জোনেল অমদি ৱার্দ নম্বর ১১ গী কঞ্জ্যুমরশিংগী ওইনসু ককচিং মখা লৈকায়দা পাইপ রিপ্যারিং কন্না তৌবা মরম্না নুমীৎ তরেৎনিরোমদং ঙাইবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): এন সী সী ১৪ শুবা মণিপুর বট্টালিয়নগী মীৎয়েং মখাদা জে এন বি য়ারলপাৎতা কম্বাইন্দ এন্যুএল ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। তোঙান তোঙানবা মহৈ লোয়শঙ কয়াদগী কেদেট কয়ানা ট্রেনিং অদুদা শরুক য়াখি। মেপ রিদিংনচিংবসু পাঙথোকখি। এক্স টেম্পর স্পিছ কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/5402/21

# মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা) লিংখৎখিবগী চহী ৩২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাইব্রেরীয়ন ডা. টি ঐচ খোমদোননা হায়খি, এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শাবদা লাইব্রেরী চাউখৎহনসি হায়বসি তাই। অদুবু হেক্তা লৈথোকই। অয়াম্বনা শেলগী খনবগী মওং লৈব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি। ষ্টেটসিদা চথরিবসি বোমনা হৌরগা পোক্লাওবীনা লোইশিনবগুম্বনি। নুংতিগী চারিবা চাকসি থওইনদে। অদুবু চাদবা মতমদা লান্নলকপদদি চাক্কী মতিক ময়াই খঙবগুম্বনি। মণিপুর লাইব্রেরী চাউখৎনবা হোৎনবদা শেল লৈতবনা ঙমদে। লাইব্রেরীদা লাইরিক য়াম্না পানৈ। পাদবা মানবগী ৱানি। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না লাইব্রেরীদা লাক্লগা মোবাইলদা অমদি জেরোক্স ওইনা পুখিবনা লাইব্রেরীদা ফমদবনা পাদবা ওইনা উবনি।

ডা. মৈন্যনা এম পি ওইরিঙৈদা মজ'র এগ্রিমেন্টকী মতাংদা অর্কাইবসতগী চে-চাং য়েংবা লাকখি। অরুবা রেকোর্দ কয়া অর্কাইবসতা লৈরিবনি। কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা তীনখিবগী রেকোর্দ লৈরি। অফবা লাইরিক্তি লেংদনা লৈগনি। লৌশিংনা পাঙ্গল ওইবগুম লাইব্রেরী হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লাইব্রেরী হায়বসি অঙাংদগী অহল ফাওবদা লেম্না লাইরিক পাবা য়াবা মফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন অসি লাইব্রেরী চাউখৎনবা লিংখৎখিবনি। মীয়ামদা কান্নবা খরদং ওইরবসু পীনবা মেম্বরশিংনা শেল খায়নরগা হোৎনরকপনি। স্কুল, কোলেজদা লাইব্রেরী থমদুনা চাউখৎহন্নবা মীৎয়েংসু থম্বনি। লাইব্রেরীনা হ্যুমেন রিছোর্স ওইরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি লৈঙাক্লা মতেং পীনিংদে। হৌজিক্কী মতমসিদা মমা-মপানা শুরগা নোম্লগা হোৎনরিবা অমদি ৱানা লাইরিক তমহল্লিবা অসিদা করিগী পোকপীরম্লিবনো হায়রকপগী মতমদু ওইরবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# টৌনি কোচিং সেন্টরগী ওজা টৌনিগী মথক্তা ইনক্কারি কম্মিটি শেমদুনা থিজিনগদবনি : দেসাম, এইমস

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): টৌনি কোচিং সেন্টরদা পাঙথোকপা টেষ্টতা হংখিবা ৱাহং কয়া ক্লাস টুয়েল্ব এগজামগা মান্নরকপা অসিগী মতাংদা ইনক্কারি কম্মিটি শেমদুনা থিগৎকদবনি। কোচিং সেন্টর অসিসু থিংলগনি হায়না দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনামমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।




সগোলবন্দদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা সিতল ওইনামমনা হায়খি, টৌনি কোচিং সেন্টর হায়না মিংথোনবা, জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরিগী ইংলিসকী ওজা এল টৌনিনা চলাইবা সেন্টর অসিদা পাঙথোকপা টেষ্টতা হংখিবা ৱাহং কয়া হন্দক্কী ক্লাস টুয়েল্ব এগজামগা মান্নবা য়াওরে। এদভান্স রাইটিং স্কিলগী শরুক্তা ওর চৎপা ৱাহং য়াওনা মান্নরকপা অসিগী মতাংদা ওজা টৌনিদা দেসাম অমদি এইমসনা কয়ারক হন্না ৱাহং অসি কমদৌনা চান্নরিবনো হায়না হংখি। ঙসি ফাওবা পাউখুম পীদনা উরৈ-পারৈ তৌদুনা লৈরে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেম্লগা ওজা অসিগী মথক্তা থিগৎকদবনি। কোচিং সেন্টর অসিসু ঙসিদগী থিংলে।

বোসেম অমদি কাউন্সীলগী চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা এগজামগী ক্বেসন সেটরনা কোচিং সেন্টরশিংদা মহৈরোয় মশিং য়ামখৎনবা ৱাহংগী ৱাহৈ-ৱাতা খরা থৈদোক্লগা সজেসন ওইনা পীবগী মওং লাক্লি। অসিগুম্বা ওজাশিংনা অরানবা থবক তৌবা হায়বসি ঙাকপীফম থোক্তপা মরালনি হায়না দেসাম অমসুং এইমসনা লৌই। অসিগুম্বা মওং কয়া অসি থিগৎপীদুনা এক্সন লৌখৎপীয়ু।

ক্বেসন সেটর কয়া দেসাম অমদি এইমসকা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখিবা কয়াসু লৈখ্রে। অদুবু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, বোসেম, কোসেমনা তুমীন্না লৈশিল্লি। হন্দক্কী ক্লাস টুয়েল্ব এগজামগী ইংলিসকী ৱাহংদসু নৈনবা য়াই। কোচিং সেন্টর অমদা পাঙথোকপা টেষ্টকী ৱাহংগা মান্নবা কয়া থোরক্লিবা অসি য়েংশিন্নিংঙাই ওই। ৱাহংশিংগী মনুংদা ওর চৎপা ফাওবা য়াওনা মান্নরকপা থেংনরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এইমসকী প্রসিদেন্ট রাজেশ য়ুম্নামমনা হায়খি, এদভান্স রাইটিং স্কিলগী শরুক্তা মান্নবা ৱাহং কয়া য়াওরক্লে। এগজামিনেসনগী কনফিদেন্সিএল ওইবা থবক থৌরমগী খনগৎলবা ওজা অমত্তনা কোচিং সেন্টরগী মহৈরোয়শিং তাকপীবগী থবক তৌহন্দনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা ৱারেপ লৌগদবনি। করিগুম্বা লান্না চথরম্লবদি মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা কাঙলোন শেমগদবনি। এগজামিনেসনদা অনফ্যেরমিন্স শীজিন্নবগী শক্লোন অসি হান্নগী মওংদগী হোংদোক্তুনা অনৌবা শক্লোন অমদা চথরে খল্লকপদগী দেসাম অমদি এইমসনা থিজিল্লকপনি। অসিগুম্বা থৌওং চথরম্লে হায়বগী খুদম চাংদম কয়া দেসাম অমদি এইমসতা লৈ। টৌনি কোচিং সেন্টর হায়না মিংথোনবা সেন্টর অসি জোনষ্টোনগী ওজা টৌনিনা তাকপীবা সেন্টরনি।

হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা থিজিন্দুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা দেসামগী এদ্যুকেসন সেক্রেটরি অমদি এইমসকী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# দিপ্লোমা কোর্সকী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক ইম্ফাল অমদি ষ্টেট অসিগী মপান্দা দিপ্লোমা ইন এঞ্জিনিয়রিং, ফার্মাসি অমদি নন-এঞ্জিনিয়রিং কোর্সকী ওইনা সেসন ২০১৯-২০ গী সিট খরা ফংবনা এদমিসনগীদমক এপ্লিকেসন থাজিনবা য়াগনি হায়না কন্ট্রোলর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন মণিপুরনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

এপ্লিকেসন ফোর্ম অসি কন্ট্রোলর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। জেনরেল অমদি ও বি সী কেন্দিদেটকী ওইনা লুপা ৪৫০, এস টি/এস সী/পি দব্লিয়ুদিগী ওইনা লুপা ৩৫০ পীরগা জুন ১৩ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌবা য়াগনি। মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম চহীসিগী জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা কন্ট্রোলর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী ওফিসতা থাজিনবা য়াগনি। এগজামিনেসন জুন ২২ দা তৌগনি। অকুপ্পা মরোল ওফিস অসিদগী খঙবা য়াগনি।

ফর্ষ্ট ইয়ার দিপ্লোমা এঞ্জিনিয়রিং, ফার্মাসি অমদি নন-এঞ্জিনিয়রিং কোর্সশিংগী ওইনা এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌবশিংনা কোর্সশিং অসি তম্নবগীদমক মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম অদু কন্ট্রোলর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন মণিপুরগী ওফিসতা চহী অসিগী জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অৱার মতমদা পীশিনগদবনি হায়নসু মখা তারি।

# জিরিবামদা অতল টিঙ্করিং লেব শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি অতল টিঙ্করিং লেব শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আর কে সনাতোম্বী বিদ্যলয়া জিরিবামগী প্রিন্সিপাল এস মনিতোন, জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী পিন্সিপাল কুমার, জেদ ঈ ও জিরিবাম এল রোসন অমদি ইদুলাইফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর থোকচোম সঞ্জুনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অতল টিঙ্করিং লেবকী কোওর্দিনেটরনা ফোঙদোকখিবদা, অতল টিঙ্করিং লেব অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৬ গী জান্যুৱারী থাদা হৌদোকখিবনি। তুংগী মহৈরোয়শিংগী খল্লগা লেবোরেটরি অসি হাংদোকপনি। ইন্দিয়াগী ওইনা অতল টিঙ্করিং লেব ৫৪৪১ লোম লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা লেকচরর ঐচ রাজেনকুমার অমদি বিবেকানন্দসু ৱা ঙাঙখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা জেদ ঈ ও জিরিবাম এল রোসননা ফোঙদোকখিবদা, অতল টিঙ্করিং লেব অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা প্রোজেক্ট অমনি। মসিনা মহৈরোয়শিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু হাংদোকপসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি হায়নসু মখা তাখি। গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ইদুলাইফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর থোকচোম সঞ্জুনা হায়খি, প্রোজেক্ট অসি য়াম্না কান্নবা অমা ওইগনি। মহৈরোয়দা নত্তনা ওজাশিংগসু থবক পুন্না পায়খৎমিন্নগদবা প্রোজেক্টনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর কে সনাতোম্বী বিদ্যলয়াগী প্রিন্সিপাল এস মনিতোননা হায়খি, অসিগুম্বা লেব অসিনা মহৈরোয়শিংদা য়াম্না কান্নবা পীগনি। অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা, লেব অসিগী কান্নবা করিনো হায়বসি নীংথিনা খঙমিন্নবা পাম্মী। মহৈরোয়শিংনসু মসিগী কান্নবা লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পেদাগোজি এন্দ এসেসমেন্টকী নুমীৎ হুম্নী চথগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন মণিপুরগী স্পোন্সরশিপ মখাদা জি পি ৱিমেন্স কোলেজ অমদি দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন ইম্ফালনা শীন্দুনা পেদাগোজি এন্দ এসেসমেন্ট টুল প্রিপরেসন হায়বা হিরমদা নুমীৎ হুম্নী চথগদবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী হোলদা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী এসোসিএট প্রোফেসর কে দিনেসকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম লাকপা অসিদা মহৈরোয়শিংদা অতেনবা মতমগী মনুংদা খঙহন্নবা টিচিংগী মওং কয়া পুথোক্লবা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোরকপনি। অনৌবা সিষ্টেমগা চান্নগদবা কয়া অদু পুথোক্লবা হোৎনগদবনি। এগজাম পাঙথোকপা মতমদা হংলিবা ৱাহং অদু মহৈরোয়শিংগী ৱাখল লৌশিং পুথোক্তুনা পাউখুম পীবা ঙম্নবা মওং কয়াসু খনবা চঙই। ৱাহং করম্না হংই হায়বনচিংবগী মতাংদা খন্নগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিনেসকুমারনা মখা তারদুনা হায়খি, হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর অমদি ধনমঞ্জুরি য়ুনভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারনা ওজাশিংগী য়েংলগা করিক্যুলম রিফোর্ম তৌনবা মীৎয়েং থমদুনা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। ক্লাস রুমদা মহৈরোয়শিংনা পূক্নিং চঙনা মহৈ-মশিন তম্বদা করম্বা মওং শীজিন্নগদগে হায়বদু খন্নবা চঙই। অরাইবা মওংদা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক তাকপদা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল ঐচ ইবোমচানা হায়খি, এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিদা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচানবা ক্বেসন শেমদুনা হোংলক্লিবা কয়া অসিগা চুননা চৎনবা হোৎনবা তাই। অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসি ওজাশিংদা য়াম্না কান্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল ডা. ঈ জাদু, জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে তম্ফাসনাসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন, জি পি ৱিমেন্স কোলেজ, দি এম কোলেজগী ওজা কয়াসু শরুক য়াখি। হিরম অসিদা খঙ-হৈরবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# বাইওদাইভর্সিটিগী এৱ্যেরনেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): বাইওদাইভর্সিটি মেনেজমেন্ট কম্মিটি (বি এম সী), এ দি সী সেনাপতিনা খুৎশম্মনা শীন্দুনা ঙসি এ দি সী কনফরেন্স হোলদা বাইওদাইভর্সিটিগী এৱ্যেরনেস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর বাইওদাইভর্সিটি বোর্দকী স্পোন্সরশিপ মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এ দি সী সেনাপতিগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিং, আইএফএস, ডা. লোখো অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এ দি সী সেনাপতিগী এগজিক্যুটিব মেম্বর বেঞ্জামিননা হায়খি, মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম অমদি লম্লক্কী শা-উচেকশিং কন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। মতম অমদা উমং-ৱামং অমদি লম্লক্কী শা-উচেকশিং য়াম্না মরাং কায়না লৈরম্মী। হৌজিক্কী মীরোলশিংনদি জিওগ্রাফিকেল চেনেলদা টি ভিদা ওইনা উরে। লম্লক্কী শা-উচেক য়োকখৎনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। অসিগুম্বা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপা য়াম্না তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এ দি সী সেনাপতিগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন থিসোনা হায়খি, উমং-ৱামং য়োকখৎনবগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। বাইওদাইভর্সিটি মেনেজমেন্টগী মতাংদসু খঙমিন্নবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ডা. লোখোপুনিনা ফোঙদোকখিবদা, উমং-ৱামংশিংদগী উ য়ান্থৎলকপনা মরম ওইরগা মহৌশাগী খলদা অকায়বা য়াম্না পী। ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা ফংলিবা জেংশিংগী মরুওইবা অসি খঙবা ৱাৎল। লমদমসিদা হিদাক কান্নরবা পাম্বী মখল কয়া অমসু হৌরি। হিদাক কান্নরবা পাম্বী কয়া অমদি মশক খঙবা ঙমদ্রিঙৈদা উমং কোকথোকপদা য়াওখিবা কয়া অমসু লৈরিবনি। উমং য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা এ দি সী সেনাপতিগী মখাদা লৈবা ভিলেজ ৯৩ রোমদগী দেলিগেট ১১৬ না শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহৌশাগী অকোয়বগী শক্তম কন্নবগীদমক উমং য়োকখৎপগী মরুওইবা ৱাফম কয়া থমখি। সেনাপতিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়াসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

# ইফ্‌টার পার্টি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী হেন্না শেংবা থা অমা ওইরিবা রামজান থাগী শরুক অমা ওইনা ওংলি সঙ্গাইয়ুম্ফম মেম্বর গ্রুপ (ও এস এম জি) না শীন্দুনা রোজা ইফ্‌টার পার্টি ঙসি সঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ থোংদা পাঙথোকখ্রে।

মতম শাংনা চরা হেল্লবা তুংদা অথুম-অহাও চামিন্নবগী ইফ্‌টার পার্টি অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সুরজকুমার অমসুং সঙ্গাইয়ুম্ফম জিলা পরিষদকী মেম্বর এম দি হিবজুর রহমনসু শরুক য়াখি। ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী শেংবা অমসুং থাবুম অমা চরা হেন্দুনা মপুদা হায়জবা, নীংজবা অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল অমগা অমগা নুংশি-চান্নবা, ঈং-তপ্পা অমসুং চাউখৎপা ইরমদম মণিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু হায়বগী পাউজেল ও এস এম জিগী মায়কৈদগী পীরক্লি হায়খি। ইফ্‌টার পার্টি অদুদা সঙ্গাইয়ুম্ফমগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

Delta Advance School (DAS)
Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)
Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM
ADMISSION OPEN
Class XI (Science & Arts)
Special Admission Offer for only remaining 50 seats
Admission Criteria

| | |
|---|---|
| BOSEM Position Holders | Free Admission; 2 Years Scholarship (45,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant; Free Uniform (1 set); Free Hostel |
| 90% & Above (CBSE Students) | Free Admission; 1 Year Scholarship (45,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant; Free Uniform (1 set); |
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL WEST
ADMISSION OPENS FOR
2nd FOUNDATION COURSE
CLASS IX & X (CBSE / BOSEM)
CLASSES STARTING FROM – 10th JUNE, 2019
OUR SHINING STARS
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)



7th Position – W. Ningthem Meitei, S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu
8th Position – U. Aditya Luwang, S/o. U. Geetchandra Singh & I. Anita Devi
11th Position – Haobam Rijando, S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
12th Position – M. Nerich, D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
19th Position – H. Aman Singh, S/o. H. Tomba & H. Baby
22nd Position – A. Pooja Sharma, D/o. A. Ibomcha Sharma & Ph. Premlata Devi
23rd Position – Md. Makbun, S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019



91.4 % – R.K. Phalguni, S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
90.4 % – Bandana Mutum, D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
85.0 % – Irungbam Thajalembi, D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
84.6 % – Nikesh Sapam, S/o. S. Bhogen & S. Sobita
83.0 % – Nancy Keisham, D/o. K. Sanatomba & Binapani M.

PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS HOSTEL
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
HOSTEL FOR BOTH BOY & GIRLS
SPECIAL TEST
VAN FACILITIES

Subjects offer: Maths, English, Science, Social Sc., M.M., Hr. Maths & Home Science

Our faculties are:
Science - (i) Sir Opendro (ii) Sir John (iii) Sir Narajit
Maths & Hr. Maths - (i) Sir Anil (ii) Sir Subhas (iii) Sir Wenliam (iv) Sir Apoi
Social Science - (i) Sir S. Robin (ii) Madam Romita
English - (i) Sir Sanahal (ii) Sir. Dimbhajit
Meitei Mayek - (i) Sir Chandrakumar (ii) Miss Preety
Home Science - Mem Roxy

CLASS TIMING 4:30 - 7:30 AM (MOR) 4:30 - 7:30 PM (EVE)
PLEASE CONTACT: +91-6009103078 / 9612194500

HL-B/5409/23